# মোদি–সি জিন পিং চহী অসিগী মনুংদা অহুন্নক হন্না উন্নরবা য়াই




***ন্যু দিল্লি, মে ৪ ঃ*** চিনাগী প্রসিদেন্ট সি জিন পিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হান্ননা শেম শাবা নত্তনা ব্রুহান্দা উন্নখ্রবা মতূং মখা তানা উন্নবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়না ইন্দিয়াদা লৈবা চিনাগী এম্বেসেদর লুও জাওহুইনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ব্রুহান সমিটকা মরী লৈনবা সেমিনার অমদা লুচিংবা অদুনা হায়, সিনো–ইন্দিয়াগী মরী অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি।

লুচিংবা অনীনা ব্রুহান্দা উন্নদুনা মালেমগী ওইবা অমসুং লৈবাক অনীগী লৈনরিবা মরীগী মতাংদা খন্নখিবা লৈখ্রে। ব্রুহান মীফম অদুনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনবগী মরী অদু হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনখি।

মমাঙ চহীদা দোকলাম লমদমদা নুমিৎ ৭৩ চুপ্পা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংগী মরক্তা চাওনা মুক্নবা লৈখ্রবনি। লুচিংবা অনীনা ব্রুহান্দা উন্নখিবা অদু খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি হায়না পাউমী অমসুং স্কোলরশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

প্রসিদেন্ট সি জিন পিংনা চিনাগী কোনুং বৈজিংগী মপান্দা মালেমগী লুচিংবা অমত্তনা উন্নখিবা লৈতে। অদুম ওইনমক মমাঙ চয়োলদা লুচিংবা অদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নখি। মদু খ্বাইদগী চাওবা খোঙথাং অমনি। মদুনা তাক্লিবদি চিনানা ইন্দিয়াগা মরী থম্নবা হায়বদু খ্বাইদগী লূম্না লৌই হায়বা অদু তাকপনি হায়রি।

ইনভোই অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সাংহাই কো–ওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মতাইদা প্রসিদেন্ট সি জিন পিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নখিবা লৈখ্রে।

ইং ২০১৭ তা কজাক্সথানগী অষ্টানাদা পাঙথোকখিবা সাংহাই কো–ওপরেসনগী মীফমদা লুচিংবা অনীনা উন্নখিবা অদু শীংথানিঙাই ওইবা অমনি। চৎলিবা চহী অসিদা সি জিন পিং অমসুং নরেন্দ্র মোদি মখা তানা অহুন্নক হন্না উন্নবগী খুদোংচাবা লৈরগনি। ব্রুহানগী মতূংদা উন্নগদৌরিবা অদুনা লৈবাক অনীগী মরীদা মহৈ য়ানবা মওংদা মাঙলোমদা চঙশিন্নবগী খুদোংচাবা লৈরগনি।

ব্রুহান্দা লুচিংবা অনীনা উন্নখিবা অদুদা লৈবাক অনীগী মরক্তা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা অমসুং য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা পাঙথোক্লবা ৱারী শান্নখি। লুচিংবা অনীনা কূপ্না খন্নদুনা দোমেষ্টিক অমসুং ফোরেন পোলিসি হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নখি হায়রি।

এসিয়াদা ইন্দিয়া অমসুং চিনা থুনা য়াংনা চাওখৎলক্লিবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লিবা লৈবাকশিংনি। মালেমগী ওইনা লৈবাক অনী অসিদা মীওই বিলিয়ন অমমমগী মথক্তা লৈরিবনি হায়রি।

# হৱাইদা মৈগী চীং পোকখাইরকপগা মরী লৈননা ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রে



***কিলাৱিয়া, মে ৪ ঃ*** হৱাইদা মৈগী চীং পোকখাইরকপনা মরম ওইরগা উমং অমসুং লম্বীশিংদা লভা চেন্থরকপা থেংনরে। লমদম অদুদা খুদোংথিনিঙাই ওইবা সলফর দাইওক্সাইট গ্যাস থোক্লককপনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক অমদা লৈরে হায়না সিভিল দিফেন্স এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

কলাৱিয়া লমদমদা মালেমগী ওইনা এক্টিভ ওইরিবা মৈগী চীং কয়া লৈরি। মথং মনাও নাইনা মৈগী চীং পোকখাইরকখ্রে। মমাঙদা থোকখিবা য়ুহার হাবা অমগী মতূংদা মৈগী চীংশিং অদু মথং মথং পোকখাইরকখি। লমদম অদুদা লৈবা ইকাইদা মরজো কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মৈগী চীং পোকখাইরকপা অদুদা থোক্লককখিবা খোঞ্জেল অদু জেট ইঞ্জিনগী মখোলগা মান্নখি হায়রি।

লমদম অদুদা লৈরম্বা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। ওফিসিয়েলশিংনা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং চয়োল অমগী মমাঙদগী চেকশিন্নবা অমসুং লমদম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। মৈগী চীং অদু পোকখাইরকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং কয়াসু পীখ্রবনি হায়রি।

চয়োল অসিগী মমাঙদা মৈগী চীং অদুগী ক্রিয়েটর অদু নমথখি। লোয়ননা চীংগী শরুক অদুদগী লভা তপ্না তপ্না চেন্থরকখি। হৱাই কাউন্টিগী সিভিল দিফেন্স এদমিনিষ্ট্রেটর দালমাগে মাঙ্গোনা বি বি সি ন্যুজতা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদুদা লৈবা ইলেক্ট্রিক ৱায়ার অমসুং ইলেক্ট্রিক পোলশিং শৌদোকখিবা থেংনরে। লমদম অদুদা নীকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু হৌরকপদা ঙাইরি। মৈগী চীং মতোন্দগী অমুবা মৈখু কয়া কারকপা উরি। সোসিয়েল মেদিয়াদা মৈগী চীং অদু পোকখাইবগী শত্তুম কয়া থাগৎনরকখি।

মৈগী চীং অদুদগী থাজদবা মওংদা অহৌবা মখোল তাখিবগা লোয়ননা লভা কয়া হৈথরকখি। লমদম অদুগী মীয়াম্মা বোম পোকখাইবগা মান্নবা অহৌবা মখোল তাখি। লোয়ননা চীংদোল অদুদগী অঙাংবা লভাশিং চেন্থরকপা উখি হায়রি।

হৱাইগী গভর্ণর দেবিদ ইগেনা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদগী মীচমশিং হোন্দোকখিনবগীদমক লান্মী কয়া থাজিনখ্রে। দ্রোন পাইহন্দুনা মৈগী চীং পোকখাইরিবা মফম অদু য়েংশিনবদা লভাশিং উমংগী শরুক্তা চেন্থরকপগা লোয়ননা লম্বী কয়া ফুমজিনখ্রে হায়রি।

# অৱাং ভারত্তা ব্রজ য়াওবা উফুল–ৱাইফুন পুবা নোংলৈ নুংশিৎ হুমজিল্লক্কনি হায়বগী চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ৪ ঃ*** ন্যু দিল্লি, উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারনচিংবা অৱাং ভারতকী শরুকশিংদা নৌনা উফুল পুবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং ব্রজ য়াওবা নোং চুরকপা য়াই হায়বগী ৱার্নিং তৌখ্রে। হৌখিবা চয়োলদা হায়রিবা লমদমশিং অদুদা অকনবা নোং অমসুং ব্রজ তাবনা মরম ওইরগা মীওই ১২৪ শিখিবা লৈখ্রবনি।

উত্তর প্রদেশ অমসুং রাজস্থান নোংলৈ নুংশিৎনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা মফম ওইরি। লমদম অদুদা লৈবা য়ূম কয়া নীংখাইখ্রে অদুগা ফেন্সিং ৱাল কয়াসু নীংখাইখ্রে। মীওই কয়া খুদোংথিবা অদুদগী নাম্থোকহৌবগী পাউসু লৈরে হায়রি।

উত্তর প্রদেশকী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা খঙহৌদনা ওইরক্লিবা ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অদু কদায় ফাওবা মাঙহন তাকহনবা য়াবগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি। মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা জম্মু অমসুং কাশ্মীর, হিমাচল প্রদেশ, উত্তর খন, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, পঞ্জাব, বিহার, যর্খন, সিক্কিম, উরিষ্যা, মধ্য প্রদেশকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিং, টেলঙ্গনা, রাইয়ালাসিমা অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু মথংগী নুমিৎ খরনি ফাওবা লৈবগা লোয়ননা খুদোংথিবা কয়া নংলবা য়াই হায়রি।

রাজস্থান্দা ব্রজ তাবা অমসুং অকনবা নোংনা মরম ওইরগা মীওই ৩৫ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ২০৯ না অশোক অপন নংখ্রে। লমদম অদুদা ব্রজ তোয়না তাশিল্লকপনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিক পোল লীশিং ১২ মাঙ তাকখ্রে। লোয়ননা ট্রান্সফোর্মর ২৫০০ মাঙহন তাকহনখ্রে হায়রি।


উত্তর প্রদেশকী অগ্রাদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ৭৩ শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ৯১ না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

হায়দ্রবাদকী মতায় লমদমশিংদা লেন্দ য়াওবা অকনবা নোং চুখ্রে। লোয়ননা নোংলৈ নুংশিৎনা উপাল কয়া মরু ফুক্তোকখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা টেলঙ্গনাদা নুপামচা অনী য়াওনা মীওই তরুক শিহনখি। হয়েংসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। উত্তর খন, অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম, ট্রিপুরা অমসুং সিক্কিম য়াওনা হিমালয়াগী লমদম অমা ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শরুকশিংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োক্লরবা য়াই হায়রি।

অসাম, মেঘালয়া অমসুং ট্রিপুরানচিংবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লোয়ননা রাজস্থান্দা উফুল–ৱাইফুন পুবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ হুমজিল্লকপা য়াই হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

# এম ঐইচ–৩৭০ থিবদা ১৯ শুবা চহীচাগী সমুদ্র ইরোন্নুংদা লৈরম্বা জহাজ অমা থেংনরে



***মেলবোর্ন, মে ৪ ঃ*** মালেসিয়াগী ইয়ারলাইন এম ঐইচ–৩৭০ মাঙখিবা থিননবা হোৎনবদা ১৯ শুবা চহীচাগী ললোন ঈতিক তৌবদা শীজিন্নবা বেসেল অনীগী অতেক অকায়শিং ফংবা ঙমখ্রে।

অষ্ট্রেলিয়াগী সমুদ্র খোঙবান্দগী কিলোমিটর ২,৩০০ লাপ্পা মফম অমদা কোইলা পুবা বৃটিশকী বেসেলশিং অদু থেংনখিবনি। ইং ২০১৫ দা মালেসিয়াগী ইয়ারলাইন এম এইচ–৩৭০ মাঙখিবগা মরী লৈননা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়া ওসিলদা থি হুম্বগী থবক চখ্খদুনা লাকখি। অষ্ট্রেলিয়ন মেরিটাইম রিসার্ছনর সোনর শীজিন্নদুনা সমুদ্র ইরোন্নুংদা থি হুম্বগী থবক চখ্খবদা জহাজগী অতেক অকায়শিং অদু থেংনখিবনি।

মালেসিয়াগী এম ঐইচ–৩৭০ মাঙখিবা চহী মরি শুরবা অসি ফাওবদা এয়ারক্রাফ্ট অদুগী লীখুন অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরি। এয়ারক্রাফ্ট মীওই ২৩৯ পুদুনা কুলালামপুরদগী বৈজিং তম্না পাইখিবদা মাঙখিবনি।

এয়ারক্রাফ্ট অদু মাঙখিবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চাবা লীখুন ফংবা ঙমদনা লৈরি।

থি হুম্বগী থবক চখ্খিবা জহাজশিংনা ইং ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদা মাঙখ্রবা এয়ারক্রাফ্ট অদুগী মচেৎ ওইগনি হায়না থাজবা য়োৎকী অতেক অকায় খরা ফংবদি লৈখ্রে। ৱেষ্টর্ন অষ্ট্রেলিয়ন ম্যুজমগী মেরিটাইম আর্কিওলোজিগী ক্যুরেটর ডাক্তর রোস এন্দরসননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক নৌনা ফংলিবা জহাজগী অতেক অকায়শিং অদু ১৮৮৩ দা মাঙখিবা ৱেষ্ট রিস, ১৮৯৪ দা মাঙখিবা কোরিঙ্গাগী শরুকশিং ওইগনি হায়রি।

ৱেষ্ট রিস হায়না মিংথোনবা জহাজ অদু ক্রু মেম্বর ২৮ গা লোয়ননা ইংলেন্দদগী ইন্দিয়া তম্না লাকপদা মাঙখিবনি হায়রি।

ডাক্তর এন্দরসন্না মখা তানা হায়, সমুদ্র ইমায়দগী কিলোমিটর ৪ রোম লূবা মফমদা বেসেল অদুনা পুরকখিবা টন ১৫০০ রোমগী পোৎলমশিং অদু ইরোন্নুংদা লৈরম্বা থেংনরে। অদুগা অতোপ্পা বেসেল অমনা মফম অদুদগী কিলোমিটর ৩৬ লোম লাপ্পা মফমদগী ফংখিবনি হায়রি।



## GAS TODAY

**R & H Indane**
Booking : 08/03/18
Valid : 12/03/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 30/03/18
Valid : 24/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 21/03/18
Sl. No. 150
Valid : 16/03/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 am

**Imphal LPG Service**
19 kg Commercial Stock Delivery at Heinoupok Godown

**Haran Valley, Kwakta**
Booking : 05/04/18
Valid : 21/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 24/03/18
Valid : 15/03/18
Stock : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/03/18
Valid : 26/03/18
Sl. No. 1000
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 21/03/18
Valid : 15/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 10/04/18
Valid : 04/04/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 25/04/18
Valid : 20/04/18
Sl. No. 11926
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m



# বিহারদা বস এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২৭ শিরে

***মোটিহারি, মে ৪ ঃ*** বিহারদা ঙরাং মীওই কয়া পুবা বস অমা মোটিহারিগী অরুবা কোমকুৎ অমদা তাশিনখ্রবা মতূং মৈ হৌদুনা চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিখ্রে। মীওই কয়া লৈখিদ্রবা থৌদোক অদুগী মতূংদা ঙসি অয়ূকসু বস অমা খুদোংথিবা নংখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসিগী থৌদোক অদুদদি মীওই অমত্তা খুদোংথিবা নংখিদে হায়রি।

ঙরাং মীওই ২৭ শিখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংদা পিবা য়াবা মতেং পীরনি হায়না লাওথোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা এ এন আই না ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২৭ শিখি হায়বদু অরানবা পাউ অমনি। পাউ অদু লোকেল সোর্ছতগী ফোঙদোরকপা ওইগনি। মীওই কয়া শিখি হায়বদু মখা তানা য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ। বস অদু মীওই ১৩ তোংখি। মদুগী মনুংদা মীওই নিপানদি অশোক–অপন নংবদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই মঙা অদুগী মতাংদদি লংলা–লংজিন অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। খুদোংথিবা থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদগী অশিবা হকচাং অমত্তা ফংখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না শগোলশেন নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতূং পূং ৩ লোম তাবদা বস অদুনা মোতোর সাইকল অমনা থৈদোক্লবা হোৎনবদা অরুবা কোঙকুৎ অমদা তাশিনখ্রবা মতূং মৈ হৌদুনা চাকখি। বিহারগী চম্পরান দিষ্ট্রিক্কী বেলৱা খুঙ্গংদা থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই কয়া তোংদুনা লাকখিবা বস অদু মৈ হৌদুনা চাকখি। হৌজিক মীওই ২৭ শিখি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মফম অদুদগী অশিবা হকচাং অমত্তা ফংবা লৈখিদে হায়নসু অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অল সবাব মিলিটেন্টশিংগী এটেক্তা কেনিয়া মচা মরি শিরে

***মন্দেরা, মে ৪ ঃ*** শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা মন্দেরাগী অৱাং থংবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা সহর অমদা অল–সবাব মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ট চখ্খরকপদা কেনিয়া মচা মরি শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

অরানবা তৌবা মীওই অদুনা হাৎখ্রবশিং অদু মুস্লিম নৎতবা মীওইশিংনি। রিজনেল পুলিসকী মকোক মহমদ সালেনা ফোঙদোরকখিবদা এটেক্ট চখ্খরম্বা মীওইশিং অদু ফাননবা ওপরেসন চখ্খবা এটেক্ট অদু অল–সবাব মিলিটেন্টশিংনা চখ্খবা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না এটেক্ট অদু মিলিটেন্ট ১০ রোম্নাচখ্খরকখিবনি। মখোয়না থবক শূদুনা লৈবা মীওইশিংদা অতৎ–অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিল্লমখি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়াসু অশোক অপন নংখ্রে।

রিজনেল পুলিসকী মকোক চার্লিস ওইনোনা হায়, এটেক্ট চখ্খরমখিবা অদুগী মতাংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা মীৎয়েং চংলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং মশক খঙবা ঙমখি।

মিলিটেন্টশিং অদু য়ূম্লোন্নরিবা লৈবাক সোমালিয়াদগী ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লক্তুনা এটেক্ট অদু চখ্খরম্বা ওইগনি হায়রি।

অল–সবাব মিলিটেন্টশিংনা মন্দেরাগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা এটেক্ট চখ্খরম্বা লৈখ্রে। মখোয়না এটেক্ট চখ্খরল্লবা মতূং মফম অদু থাদোক্তুনা য়ূমথংনবা লৈবাক্তা চেনশিনখিবগী পাউ কয়াসু লৈখ্রবনি হায়রি।

সনা–সুদোকু –১১৫৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 7 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 4 |
| 3 | 1 | 8 | 7 | 2 | 4 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 4 | 2 | 8 | 5 | 9 | 3 | 1 | 7 |
| 8 | 2 | 9 | 1 | 6 | 7 | 5 | 4 | 3 |
| 4 | 5 | 3 | 2 | 9 | 8 | 7 | 6 | 1 |
| 1 | 7 | 6 | 5 | 4 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 7 | 3 | 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 6 |
| 2 | 6 | 5 | 4 | 3 | 1 | 9 | 7 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1157**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | | | 8 | |
| | | | | 6 | | | 2 | |
| 1 | | | 2 | 5 | | | 9 | |
| 6 | 9 | | | 7 | 1 | | | |
| 5 | | | | | | | | 9 |
| | | | | | 4 | 6 | 3 | 1 |
| | | 7 | | | 3 | | | |
| | 1 | | 9 | 2 | 5 | | | |
| | 2 | | | | | 5 | | |

# ফ্লাই ওভর নীংখাইখিবগা মরী লৈননা উরিষ্যা কন্সট্রক্সন ফার্ম অমগী মেনিজিং দাইরেক্তর ফারে

***ভুবনেশ্বর, মে ৪ ঃ*** ভুবনেশ্বরদা শাগৎলিবা ফ্লাই ওভরগী শরুক খরা নীংখাইরকপদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা এক্স গ্রেসিয়ার ওইনা লুপা লাক্ষ ৫ পীরগনি হায়না উরিষ্যাগী চীফ মিনিষ্টর নিবিন পটনাইটনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ঙরাং নুমিদাং শাগৎলিবা ফ্লাই ওভর অদুগী শরুক খরা নীংখাইরকখি। থৌদোক অদুদা মরী লৈননা থবক তৌরিবা ফার্ম অদুগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর ফারে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা উরিষ্যাগী বোমিখন লমদমদা শাগৎলিবা ফ্লাই ওভর নীংখাইরকখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শিহনখিবা অদুগা কয়ানা অশোক–অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা থিগৎনবা য়াথং পীখ্রে হায়রি।

শোক্লবা মীওইশিং অদুগী অনা লায়েংদা চঙবা শেলফম খুদিংমক লৈঙাক্লা পুথোক্কনি হায়না ষ্টেট



লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কন্সট্রক্সন কম্পনি, পন্দা ইনফ্রা প্রোজেক্টকী মেনেজিং দাইরেক্তর প্রতাব কিশ্বর পন্দা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফারে হায়না কম্মিস্নার ওফ পুলিস ৱাই বি খুরানিয়ানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং শেমগৎ শাগৎলিবা ওভর ব্রিজ অদুগী শরুক খরা [redacted]
অদুদা [redacted]
মীওই [redacted]
পুলিস [redacted]
থৌদোক [redacted]
[redacted]
লৈবশিং [redacted]
[redacted]
মতম অদুদা [redacted] কয়া
মফম অদুদা [redacted] অদু
[redacted] লৈবা
অজয় ভুমিচা (৩৮) কৌবা মীওই অমা লৈখিদে হায়রি।

খোর্দা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তর নির্মন মিশ্রানা খুদোংথিবা নংখ্রবা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা তেক্নিকেল টিম অমসু লোয়নবগা লোয়ননা খুদোংথিবা থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনখি। অহানবা ওইনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। ষ্টেট লৈঙাক্তা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা এটেক্ট চখ্খরকপগা লোয়ননা খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী দাইত্ব পুগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ চহীদা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিবা থোকহনখ্রবা কন্সট্রক্সন ফার্ম অদুদা করম তৌনা মখা তানা থবক পীরিবনো। হীরম অদুগী মতাংদা য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

# অগরটলাদগী দ্রগ ললোনবা মীওই অহুম ফারে

***অগরটলা, মে ৪ ঃ*** ইষ্ট অগরটলা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা ভারা শানবা য়ূম অমদগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। ওপরেসন অদু এস আই সুকান্ত চৌধুরিনা চখ্খিবনি।

ভারা শানবা য়ূম অদুগী মপুসু এন্টি সোসিয়েল ওইবা থবক চখ্খবগীদমক ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতূং ফাগৎখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

পুলিসনা লমদম অদুদা ওপরেসন চখ্খবদা ব্রাউন সুগর গ্রাম ১.২০, য়ামা টেব্লেট ২০০, মোবাইল ফোন ৭ অমসুং এয়ার পিষ্টোন ১ ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎখ্রবা মীওইশিং অদুদি স্বাধিন দাস (২৭) অপোকপা সুনিল দাস, পানাকর চৌধুরি (৩৭) অপোকপা দিপক চৌধুরি অমসুং অতানু ভাওনিক (৩১) অপোকপা সঞ্জিৎ ভাওনিককনি হায়রি।

ইষ্ট অগরটলা পুলিসকী ওফিসিয়েল অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা খুন্নাইগী মায়োক্তা থবক তৌবা মীওইশিং অদু অকক্লবা পাউ অমগী মতূং ইন্না থি হুম্বগী থবক চখ্খবা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীওইশিং অদু দ্রগ ললোনবা অমসুং এন্টি সোসিয়েল ওইবা থৌওং কয়া চখ্খবগী রেকোর্দ লৈ। নার্কোটিক এন্দ সাইকোট্রোফিক সবসটেন্সেস এক্ট (এন দি পি এস) কী মখাদা কেস অমা লৌখৎলে। মীওইশিং অদু ঙসি কোর্টতা পুথোক্লগনি হায়রি।